মালেমগী অঙকপশিং

# স্বিটজরলেন্দগী মেটরহোর্ন



মেটরহোর্ন হায়বসি ইটলি অমসুং স্বিটজরলেন্দগী লোন্নবদা লৈবা মীয়াম্না নীংথিজরবা চীং অমনি। চীং অসিগী পিরামিদ মওং মানবা চীংদোলগী অৱাংবা মিটর ৪,৪৭৮ (ফুট ১৪,৬৯২) নি। মসিনা য়ুরোপতা খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল ওইরি। চহী অসিগী অঙন্বা মমায় মরিনা কম্পাসকী মতোল মরিরোমদা ওনশিল্লি। চীং অসিগী অৱাং নোংপোক্তা স্বিটজর-লেন্দগী জর্মেট টাউন অমসুং খারোমদা ইটলিগী ব্রুইল-সর্বিনিয়া টাউন লৈ।

নীংথিজরবা চীং অসি উরুবদগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মালেমগী মীওই কয়ানা চীংদোল লোম্নবা হোৎনরকখি। কুমজা ১৮৬৫ দা জর্মেটকী এদৱার্দ হ্বিম্পরনা লুচিংবা কাঙবু অমনা অহানবা ওইনা চীংদোল লোম্নবা হোৎনখি। কাঙবু অদুনা চীংদোল লোম্লুরগা কূমথরকপগী লম্বীদা লাইবক থীবদগী মীওই মরি ওন্থরক্তুনা শিখি। থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ফিল্ম কয়া পুথোক্লুরকখি। অৱাংথংবা চীংমায় অদু কা হেন্না ঙন্বা মরম্না কুমজা ১৯৩১ গী মমাঙদা কনামত্তনা মায়কৈ অদোমদগী চীং কাবা ঙমখিদে। খ্বাইদগী ৱাংবা ওইজরবসু মনীংথংবা চীংমায় অদু কুমজা ১৯৬২ দা মীওই কাঙবু অমনা কাবা ঙমখি। কুমজা ১৮৬৫ দগী হৌনা চীংজাও অসিগী মতোল লোম্নবা হোৎনবদা মীওই ৫০০ হেন্না শিখ্রে। উন ময়াম শৌদোরক্তুনা চীংগী মওং-মতৌদা অহোংবা লাকপদগী হৌজিক ওইরিবা শাগী মচি মানবা ফীভম অসি ওইরকখিবনি। তরামাপলশুবা চহীচা লোইশিল্লকপদা রেল লম্বী য়ৌরকপদগী চীংদোল লোম্নবসু হোৎনরকখি। কালেন থা খুদিংগী চীংকারোয় কয়ানা মেটরহোর্নগী চীংদোল লোম্নবা হেক-হেক হোৎনবা লেপত্রি।

মেটরহোর্নগী তোঙান-তোঙানবা চীংদোল অনী লৈ। নোংপোক থংবা স্বিস সমিটনা মিটর ৪,৪৭৭.৫ (ফুট ১৪,৬৯০) অমসুং নোংচুপ থংবা ইটালিয়ন সমিটনা মিটর ৪,৪৭৬.৪ (ফুট ১৪,৬৮৬) ৱাংই। কুমজা ১৭৯২ গী ওগষ্ট থাদা জেনেভান জিওলোজিষ্ট হোরেস বেনেদিক্টনা ফুট ৫০ শাংবা চেন অমা শীজিন্নরগা মেটরহোর্নগী অৱাংবা ওনখি। মদুদা চীং অসিগী অৱাংবা মিটর ৪,৫০১.৭ (ফুট ১৪,৭৬৯) হায়বা খঙলকখি।

কুমজা ১৮৬৮ দা ইটালিয়ন এঞ্জিনিয়র ফেলিস গোর্দালোনা মর্ক্যুরিয়ল থর্মোমিটর শীজিন্নরগা ওনবদদি মিটর ৪,৫০৫ (ফুট ১৪,৭৮০) ৱাংলম্বা থেংনখি। কুমজা ১৯৯৯ দা গ্লোবেল পোজিশনশিং সিষ্টম টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা সেন্টিমিটর অমফাওবা চেন্নহন্দনা ওনবা মতমদদি মিটর ৪,৪৭৭.৫৪ (ফুট ১৪,৬৯০) ওইরমখি।

পিরামিদ মওং মানবা মেটরহোর্নগী মমায় মরি পাল্লি। অৱাং, নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা মমায় অদু স্বিটজরলেন্দলোমদা লৈ। খাথংবা মমায় অদুনা ইটলিরোমদা লৈ। মেটরহোর্নগী মমায় মরিমক থোইদোক-হেন্দোক্লা ঙম্বগা লোয়ননা উন মচেৎ-মচেৎ পকই।

তরানিপালশুবা চহীচা অদুৱাইগী মীওই কয়ানা এল্পসতা কোয়বা লাক্লরবসু কুমজা ১৮৬৫ গী মমাঙদা মেটরহোর্নবু থোইদোক্লা খঙনরমদে। চহীদুদা এদৱার্দ হ্বিম্পরনা লুচিংবা কাঙবু অমনা চীংদোল লোম্লুরগা কূম্নলকপদা মীওই মরি শিখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদগীদি মীয়াম্না মেটরহোর্নদা মীৎয়েং চঙনরকখি। কুমজা ১৮৮৮ দা জর্মেট খুঙ্গং য়ৌনা রেল লম্বী শেম্বা হৌরম্মী। ওল্লকপা চহীগী জুলাই ১৮ দদি জর্মেট খুঙ্গং য়ৌনা ট্রেন চেনবা হৌখি। কুমজা ১৯৩০ দা মফমদু শীনবা থুংনা মৈ ফংহনখিবগা লোয়ননা সেন্ট মোরিজদগী জর্মেট ফাওবা গ্লেসিয়র এক্সপ্রেস পেনোরামিক ট্রেন চেনবা হৌখি। অদুম ওইনমক ইটলিরোম থংবা নাকলদা ব্রুইল-সর্বিনিয়া খুঙ্গং শম্নহনবা ঙমদবদগী কনাগুম্বনা মফমদুদা চৎপা তারবসু মাউন্টেন গাইদ নেল্লগা মিটর ৩,৩০০ ৱাংবা থিওদুল পাস লান্থোকপা তাই।

হ্বিম্পরনা মেটরহোর্ন চীংদোল লোম্লুবগী মতাংদা কুমজা ১৮৭১ দা ৱারী-লাইরিক অমা ফোঙলকপদগী মীয়াম্না মায়কৈ অশোমদা মীৎয়েং চঙনবা হৌরকখি। লাইরিক অদুমকসু মালেম শীনবা থুংনা খ্বাইদগী পাম্নবা লাইরিক ওইখি। কুনশুবা চহীচা হৌগৎলকপদা লমকোয়বশিংগী মরু ওইবা লমথুংফম ওইরকপদগীদি লায়রবা স্বিটজরলেন্দগী খুঙ্গং অয়াম্বা তপ্না-তপ্না চাউখৎলকখি। হৌজিক্তি মেটরহোর্নগী নাকল মরিমক্তুগী চীংদোল লোম্নবা লম্বী লৈরে। কালেন থা খুদিংগী মাউন্টেন গাইদ অমমম্না লমকোয়বা মশীং য়াম্না চীংদোল তম্না পুখৎলি। অদুম ওইনমক মেটরহোর্নগী চীংদোল লোম্বগী খোঙচৎ অসি অরায়বা নত্তে। চহী খুদিংগী মীওই খরদি চীংদোল য়ৌনবা হোৎনবদা থৱায় মাঙলি। চৎপগী মওংদি জর্মেটতগী কেবল কার তোংলগা মিটর ৩,২৬০ (ফুট ১০,৭০০) ৱাংবা মফমদা লৈবা হোর্নলি হট ফাওবা চৎকদবনি। নুঙনা শাবা অচৌবা বিল্ডিং অদুদা অহিং য়ারেক্লগা মথংগী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ দগী চীংদোল তম্না কাবা হৌগদবনি। চীংদোল য়ৌরগা মমদ্রিঙৈদা হোর্নলি হটতা অমুক হল্লক্কদবনি। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মেটরহোর্ন চীংদোল অসিবু ইহান-হান্না মতোল লোমখিবগী ১৫০শুবা কুমওন থৌরম অমা কুমজা ২০১৫ দা চহী চূপ্পা পাঙথোক্লি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হোর্নলি হটসু নৌনা শেমজিল্লগা হৌখিবা জুলাই থাদা নৌনা অমুক হাংদোকখি।




# মাখানা খির করম্না থোংগদগে



চঙগদবা পোৎচঙ:
মাখানা কপ অমা
কন্দেন্স মিল্ক কৌতা তঙ্খায়
কেশর (সেফ্রোন) খরা
শঙ্গোমদা তীংথোক্লবা কীসমীস খর
ঘী চামচ অমা
এলাইচি অনী
শঙ্গোম লিটর তঙ্খায়

থোংবগী মওং:
শঙ্গোম অদু মৈথক্তা থাঙ্গৎলগা মুন্না শৌহল্লো। এলাইচি য়াওহনবা কায়দে।
ঘীদা মাখানা ঙৌথোক্লগা তোখাইনা থমখ্রো।
কাবক-কাবক নৈখায়রগা শঙ্গোমদা হাপচিল্লো।
ঙাইহাক শৌহল্লগা কন্দেন্স মিল্ক হাপচিল্লো।
কেশর হাপচিল্লগা মখা তানা শৌহল্লো।
ঘীদা তাউথোক্লবা কিসমীস হাপচিনবা য়ারে।
অদুদগী থাংথরগা ফোঙ-ফোঙ শানা চাবা য়ারে।
মাখানা হায়বসি মণিপুরদা মরাং কায়না ফংলিবা থমচেৎ অসিনি।

পেরিটোনিয়ল কেভিটিদা মহী তূংশিল্লকপদগী পূক কংখৎলকপা

# এসাইটিস




এসাইটিস হায়বসি পেরিটোরিয়ল কেভিটিদা মহী ময়াম তূংশিন্দুনা লৈবদগী পূক কংখৎলক্তুনা লেঙবা-ওৎপা ফাওবা নুংঙাইহন্দবা লায়না অমনি। মেদিকেলগী ওইবা লোলদা পেরিটোরিয়ল কেভিটি ফ্লুইদ, পেরিটোরিয়ল ফ্লুইদ এক্সেস, হাইদ্রোপেরিটোনিয়ম নৎত্রগা এবদোমি-নেল দ্রোপসি হায়না খঙনবা লায়না অসি অয়াম্বা মতমদা লিভর সিরোসিস নৎত্রগা মেটাষ্টোটিক কেন্সর নৎত্রগা লিভর কা-হেন্না শোকচিল্লকপদগী ওইরকপনি।

ঈ চাংয়েং তৌবগা লোয়ননা অল্ট্রাসাউন্দ লৌরবা মতুংদা লায়না অসি ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙদোকপা ঙম্মী। অহানবা হৌগৎলকপদা পাক-হেক খঙবা ঙমদবা লায়না অসি ফীভম লূশিল্লক্লবা মতমদা পূক কংখৎলকপদগী ইরায় লানা খঙবা ঙম্মী। অনাবা মীওই অদুনা লেঙবা মতমদা পূক মনুংদা য়াওরিবা মহী অদুসু ঈপোম নাইনা লেঙবা মপান্থোংদগী ইরায় লায়না উবা ফংই। কনাগুম্বা পেশেন্ট খরদা খোঙ পোমখৎলকপা অমসুং ৱাখল খনবগী মওংদা অহোংবা লাকহনবা য়াওই। কা-হেন্না হকচাং চোকথবগা লোয়ননা হকচাংগী অৰূম্বা হন্থরকপসু থেংনৈ। হার্ট ফেল ওইবদগী এসাইটিস ওইহল্লকপা মীওইশিংদি চনিং তানা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমদে অমসুং নিংশা হোনবদা হ্বিশল খোংবা মানবা মখোল অমা থোকই।

লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরু ওইবা মরমশিংদি সিরোসিস, হার্ট ফেলিয়র, হেপাটিক ভেনস ওক্লুজন, কন্সট্রিটিক্টিভ পেরিকার্দাইটিস, অঙাং ওইরিঙৈদা প্রোটিন ৱাৎপগী খুদোংচাদবা




মায়োক্লখিবা, কেন্সর, ট্যুবরকুলোসিস, পেনক্রিয়াটাইটিস, সেরোসাইটিস, নেফ্রোটিক সিন্দ্রোম, পেরিদিটরি এঞ্জিওদিমা, ভেস্ক্যুলাইটিস, হাইপোথাইরোইদিজম, রিনেল দাইয়ালাইসিস, পেরিটোনিয়ম মেসোথেলিওমা অমসুং এবদোমিনেল ট্যুবরকুলোসিস অসিনচিংবনি।

মরম অমনবু ওইরবসু অমনবু ওইরবসু লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংদা মহী ময়াম অমা তূংশিন্দুনা লৈবদগী পূক কংখৎলকই। কনাগুম্বা মীওই খরদা মহী লিটর ৩৫ ফাওবা পৈশিল্লকপা য়াওই। অয়াম্বা মতমদা ফীভম হেঞ্জিল্লক্তনবা অমসুং হকচাং নুংঙাইহন্নবগী মওংদা লায়েংবগী থবক পায়-খৎলি। পেরিটোনিল কেভিটিস পৈশিন্দুনা লৈরিবা মহী পুম্নমক চিংথোকপনা লায়েংবগী অহানবা খোঙথাংনি। মসিগা ঈরোয়ননা হকচাং নুংঙাইহনবা হীদাক-লাংথক খরা থারবা মতুংদা হকচাংগী অৰূম্বা হন্থহন্নবা হোৎনৈ। থুমগী শরুক অমত্তা পীজদবা হায়বসি লায়েংবগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। এলদোষ্টরোন কৌবা হোর্মোন অমনা হকচাং মনুংদা থুমগী শরুক

তূংশিন্দুনা লৈহনবা মরম্না মসিবু ঙাকথোক্লবা হীদাক থাবগী তঙাইফদবা লৈ। ফীভম হেঞ্জিনখ্রবা মীওইশিংদদি লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা মথৌ তাই।

# খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং : মীওইবনা তু চূংলিবা করিগীনো

তু চূংবা হায়বসি ঈংবা মতমদা মথন্তা তৌজরকপা থৌওং অমনি। অদুবু কনাগুম্বনা ওইদবা ঙাঙবা মতমদসু তু চূংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা তু চূংবগী থৌওং অসি ফাজিনবা ঙমদে হায়বসু রিছার্সরশিংনা খঙলে।

ঈংবা ফাওরকপা মতমদা মথন্তা পাঙথোকচরকপা হকচাংগী দিফেন্স মেকানিজম অসি ওইদবা ঙাঙবা খঙদোক্লবগী “লাই দিটেক্টর” ওইনা লৌবসু য়াই হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখি। “ইমোশনেল ক্লাইমেক্স” হায়বদি কা-হেন্না হরাউবা নৎত্রগা কা-হেন্না ৱাখল নুংঙাইতবা মতমদা তু চূংবা ফাওরকই। কিবা, খংবা, পাখৎপা, ঙকপা নৎত্রগা খোয়দাবা মতমদসু তু চূংবা ফাওরকই।

“মোটিভেশন এন্দ ইমোশন” জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্সরশিংনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা খল্লিবা ৱাখল অমদি পুক্লিংদা ফাওরিবা অৱা-নুংঙাইগী মরমদা ওইদবা ঙাঙলকপা ঙমখিবা য়াই। অদুবু তু চূংবা হায়বসিদদি তৌশিন্নবা ঙমদে। য়ুনিভর্সিটি ওফ কেন্টক্কীগী প্রোফেসর রিচার্দ স্মিথনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা তু চূংবা হায়বসি কিবা, পাখৎপা অমদি ঈংবগা মরী লৈনবা তারবসু কনাগুম্বা মীওই অমনা ঙাঙলকপা ৱা তাবদা নৎত্রগা তৌথোরকপা থবক উবদা তু চূংবসু য়াওই।

তোঙান-তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী রিছার্সর কয়ানা লুচিংদুনা প্রোফেসর স্মিথনা চথুখিবা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি মদুদি তু চূংবগী থৌদোক খ্বাইদগী য়াম্না থোক্লিবসি ঈংবা মতমদনি। মথংদনা শীংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম অমা উবা মতমদনি। পুক্লিংনা খোয়দাবা ঈশৈ তাবা নৎত্রগা তোপ-তোপ্পা মখলগী পোৎশক অমা উবা মতমদসু তু চূংলকই। য়ুনিভর্সিটি অদুদা সাইকোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ওইরিবা স্মিথনা হায়খি, মশানা তৌজবা থবক্লা মশামকপু তু চূংহনবগী থৌওংদি য়াম্না তাঙনা থোকই। বাল্টিমোরদা লৈবা ষ্টিভেন্সন য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সর র‍্যাল স্কল্জনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না তু চূংবগী থৌওং অসি কনাগুম্বা অমা ওইদবা ঙাঙই নৎত্রগা ঙাঙদে হায়বদু খঙদোক্লবগী পাম্বে ওইনা শীজিন্নবসু য়াগনি।

## ꯈꯦꯠꯅꯕ ꯊꯣꯛꯂꯤꯕ ꯃꯐꯝ ꯇꯔꯥ ꯊꯤꯕꯤꯌꯨ





Title: Scenery
By: Panit Y
Class: V Sec: A Roll No. 30
School: MMS



Title: Scenery
By: Melony Sougrakpam
Class: III Sec: B Roll No. 47
School: Nirmalabas High School



Title: Parrot
By: Hijam Surbala
Class: I Sec: A Roll No. 16
School: Smart Universal Academy



Title: Oggy and Cockroach
By: Zenith Heisnam
Class: III Sec: A Roll No. 4
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Melinda Naorem
Class: V Sec: Roll No. 46
School: Regular English High School



Title: Elephant
By: Akash
Class: III Sec: A Roll No. 35
School: Smart Universal Academy



Title: Scenery
By: Loichongbam Robart
Class: II Sec: Roll No. 35
School:



Title: Meitei Chanu
By: Sanarika W.
Class: V Sec: A Roll No. 40
School: Kid's Foundation